# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-10-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২১-১০-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরদা ঙসি মৈগী কুম্মৈ, দিৱালি পাঙথোক্লি।

২) মণিপুরদা লৈবা কো-ওপরেতিভ সোসাইতিশিংগী দোক্যুমেন্টশিং কেন্দ্রগী মখাদা দিজিতাইজ তৌবগী থবক চংখবা হৌরে।

**অমসুং**

৩) বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্লুগনি।

**------**

**দিৱালি ঃ** মণিপুরদা ঙসি মৈগী কুম্মৈ, দিৱালি পাঙথোক্লি।

দিৱালিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্ত য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- দিৱালি অসি অঙানবনা অমম্ববু জয় তৌবা, অফবনা ফত্তববু জয় তৌবগী খুদমনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা

ঐখোয়গী অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং আশা অমুক হন্না লৈহন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে।

পাউজেল অমদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- দিৱালিগী মৈগী মৈঙাল অসিনা লমদম অসিদা অমত্তা ওইবগী মপাঙ্গল অদু হেন্না কনখৎহল্লশি। দিৱালিগী মৈঙালনা অমম্বগী মরক্তা আশা লন্বী উৎলি। মৈঙাল খুদিংমকা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু।

এম.এল.এশিং- শর্বশ্রী এন.বিরেন সিংহ, য়ুমাম খেমচান্দ, থোঙাম বিশ্বজিৎ, কোংখাম রোবিন্দ্রো, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন, শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনচিংবনা দিৱালি কুম্মৌনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**মেলা (এল)ঃ** হিয়াংগৈগী নিনি পানবা নুমিৎ অসি মণিপুরদা চহি খুদিংগী নিংঙোল চাক্কৌবা হায়না পাঙথোকরি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা হয়েং ঙাগী মেলা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী ফিসরিজ দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মেলা অসিদা কিলোগ্রাম ১ লুম্বা শরেংগী মমলনা লুপা লিশিং ১,১০০, কিলোগ্রাম ১ গী মথকা লুপা লিশিং ১,২০০ অমসুং কিলোগ্রাম অনিগী মথক্তা লুপা লিশিং ১,৫০০ পীগনি। কটলানা কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ২৪০ দগীনা লুপা ৪০০ ফাওবা, রৌনা কিলোগ্রাম অমদা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, মিরগলনা লুপা ২৩০ দগী ৩৫০ ফাওবা, কমন কাল্ফনা লুপা ২২০ দগী ৩০০ ফাওবা, গ্রাস কাল্ফনা লুপা ২৬০ দগী লুপা ৪০০ ফাওবা, সিলভর কাল্ফনা লুপা ২২০ দগী ২৪০ ফাওবা, বিগ হেদনা লুপা ৩০০ দগী ৩৫০ ফাওবা, পেংবা অমসুং খাবক্কী ওইনা লুপা ৪৫০ দগী ৫৫০ ফাওবা, ঙাতোন্না কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ৪৫০ দা ফংগনি।

**রেজিস্তর (এল)ঃ** মণিপুরদা লৈরিবা কো-ওপরেতিভ সোসাইতি লিশিং ১১,৬১০গী মনুংদা সোসাইতি লিশিং ৫,২৫১ মথৌ তৌদনা লৈরি। কো-ওপরেতিভ সোসাইতি মণিপুরগী রেজিস্তর দব্লিয়ু.ইবোহলনা হায়-মণিপুরদা লৈরিবা সোসাইতি, এন.জি.ও, ক্লব, এসোসিয়েসনশিং, সোসাইতি রেজিস্ত্রেসন এক্টকী মখাদা য়েংশিনবগী থবক চথরি। মহাকা হায়-অপুনবা সোসাইতি লিশিং ১১ রোম অসিগী মনুংদা লিশিং ৫,৩০০ দি মথৌ নিংথিনা তৌরি। মথৌ নিংথিনা তৌদ্রবা এন.জি.ওশিং থবক পায়খৎনবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবা লৈরে।

শ্রী ইবোহলনা হায়-কো-ওপরেসন মন্ত্রালয়গী মখাদা রাজ্য অসিদা অচৌবা প্রোজেক্ট অনি পায়খৎলি। প্রোজেক্টশিং অসিগী মতুং ইন্না কো-ওপরেতিভ সোসাইতিশিংগী দোক্যুমেন্টশিং দিজিতাইজ তৌবগী থবক চথরি। হান্ননা মেন্যুএল ওইনা থবক শুরন্বা ওদিট দিজিতেল ওন্থোকপগী থবক চথরি। থৌরাং অসি অহানবা ওইনা কো-ওপরেতিভ সোসাইতি ২৩২ দা পায়খৎলি।

**--সাউন্দ বাইট--ইবোহল**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী ইরাং থোক্লকপা য়াবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। পুলিসকী পাউনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী পি.খোথা খুলদগী মোবাইল ফোন অমদি সাইকল হুরানলম্বা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অহুম অমসুং সাইকল অমা ফংখি। রাজ্য পুলিস অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সকী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ দা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৬৭৪ ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। পোৎচৈ পুবা গারিশিং অসি চংলকপদা অয়েৎ অপন য়াওদনবা অমদি অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাং লৌখৎলি। লোয়ননা,

লম্বী পরিং অসিদা সেক্যুরিতি কনভোইশিংসু পীরি।

অমরোমদা, মোতোর ভেহিকলগী নিয়ম কাইনা গারি থৌরিবশিংগী মরক্তা রাজ্য পুলিসনা দ্রাইভ মখা তানা চখরি। ঙরাংসু গারি ২৪ মোতোর ভেহিকলগী নিয়মশিং ঙাক্তবগীদমক চলান কক্তুনা ফাইন থিহনখি।

**আই.এন.এ(এল)ঃ** প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রি ইন্দিয়া(আরজি হুকুমট-ঈ-অজাদ হিন্দ)গী ৮২ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ মারতিয়র্স মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাং অমসুং আই.এন.এ লোকেল এদভাইজরি কম্মিতি মোইরাংনা শিনবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ থোঙাম শান্তি সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা, কর্নেল সৌকট আলি মালিককী মীতম অমা হাংদোক্কনি, পি.কে.নন্দিনা ইবা লাইরিক ‘দ লাষ্ট ফাইট ফোর ফ্রিদম’সু ফোঙগনি অমসুং মোইরাং কোলেজকী থবক্তগী পোথারবা এসোসিয়েট প্রোফেসর ৱাই.মোধু সিংহনা প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রি ইন্দিয়া হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

**ডে (এল)ঃ** মণিপুর থিয়েতর ডেগী থৌরম অমসুং থিয়েতর সেন্তর এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা এম.দি.য়ু হোলদা পাঙথোক্লগনি। থিয়েতর সেন্তর মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা আর.কে সনাজাওবা সিংহদা ললিট নিংশিং খুদোল অমসুং শ্রী মনি য়ুমামদা ইবেচাওবী নিংশিং খুদোল পীদুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্লগনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎনি। তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোৎ মথং থাগী ১১ দা থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগী মীরেপচে পীশিনবা মতম ঙরাংনা লোইখ্রে । হৌজিক ফাওবদা মীখল অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা দলশিংগী মীরেপচে পুন্না লিশিং ১,০৬৬ পীশিল্লকখ্রে।

মরক অসিদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে লৌথোকপগী মতম ঙরাং লোইখিবগা লোয়ননা তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ না লম্বা তৌনরগনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ৬১ না মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং লৌথোকখি। অহানবা তাঙ্কক অসিগীদমক মীরেপ লিশিং ১,৬৯০ না মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং পীশিল্লকখি। মথং থাগী ৬ তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা ভোৎ থাদনগনি।

ভোৎ মশিং নবেম্বর ১৪ দা থীগনি।

মরক অসিদা, মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। রাজনিতি দলশিংগী স্তার কেম্পেইনরশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক মীতিং পাঙথোকপা, রোদ সো পাঙথোকপনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

**অসরানিঃ** অসরানি হায়না খঙনবা হিন্দি ফিল্মগী শকাইরবা এক্তর গভরধন অসরানি মতম কুইনা নারল্লবা মতুং ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৮৪ শুখ্রে। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা হিন্দি ফিল্মগী লমদা তোঙান তোঙানবা মমিং চৎলবা ফিল্ম কয়ামরুম কুল্লমখি। মদুগী মনুংদা সোলে ফিল্মদা জেলর শাখিবা অদু ঙসি ফাওবা মীয়ামা নিংশিংনদুনা লৈরি। মহাকা চুপকে চুপকে, ভুল ভুলায়ানচিংবা ফিল্মশিংদসু অচৌবা রোল লৌরম্মী ।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর পুলিসকী রেজিং ডে পাঙথোকখিবা, পোৎচৈগী মমল তাংখৎনা য়োল্লন্বা দুকানশিং থোং লোনশিনখিবা অমসুং নোনে জিলাদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং রাজ্যপালনা অমুক হন্না য়েংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মনিপুর পুলিসকী রেজিং ডে পাঙথোকখ্রে, চহী ৩৬ হেল্লবা মণিপুর পুলিসকী য়ুনিফোর্ম এলাউয়েন্স হেনগৎলগনি হায়বা দি.জি.পি রাজিভকী ৱাফম-পোকফমদা অহানবা হেদলাহন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী এদিসন, মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং অমদি হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ফরে হায়বসি অচুম্বনি লৌদে হায়বা ভেতরান পোলিতিসিয়ান ও.জয়গী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিৱালি অমসুং চাক্কৌবগী কৈথেল মীনা ক্রিক ক্রিক ইন্নরি, পোৎকী মমল হেনগৎতনবা মহৈরোইশিংগী দ্রাইভ চথখি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মহৈরোইশিংনা দ্রাইভ চথখিবা অমদি পোৎচৈগী মমল থেৎতনা পোৎ য়োনবা দুকানশিং থোং লোনশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি। পুলিসনা শান্তি পুরকবা হোৎনরি হায়বা গভর্ণরগী ৱাফম- অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মওং মরিল তাদ্রবা জল জিবন মিসনগী থৌওংশিং ৱাকৎনরকপা লেপত্রি, থকবা ঈশিং ফংহল্লে হায়বগী অরানবা রিপোর্ট পীরক্লে

হায়দুনা চান্দেলগী খুল ১২ গী চিফশিংনা হাই কোর্টতা ৱাকৎলক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরগী পুলিস কম্মান্দোশিংগী মাইথোংদা হামুক তৈশিনবগুম্বা ৱাফম ফোঙদোকখিবদা তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা- মনিপুরগী এম.এল.এশিং সস্পেন্দদা লৈরিব্রা হায়না ৱাহং খুদম পীববগা লোয়ননা সস্পেন্দদা লৈবা এম.এল.এশিংনা লৈঙাক শেন্বা য়াবগী রুল লৈতে হায়বা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। এমপ্লোয়িশিংগী দি.এ চপ মান্ননা ফংহল্লু হায়বা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ি কনফিদরেসন, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ৱাফম অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদা য়াল্লবা পোখায়বা য়াবা বোমগী মচাকশিং ফাগৎলে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নোনে জিলাদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং রাজ্যপালনা অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা আর্মিনা করম্বা থৌদাং লৌরিবগে হায়বগী য়েংশিনবীনবা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

চহী সুদ্রিবা অঙাংশিংবু লুহোংবা থিংনবা নুমিৎ ১০০ নি চথুগদবা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা- গানফিড মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- মেরা ঈ-কে.ৱাই.সি এপ্লিকেসনগী খুথাংদা তামেংলোংদা নফসাগী বিনিফিসরিশিং অপদেদ তৌবা হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লাক্লিবা নবেম্বর ১ দা তামেংলোং সেন্তরগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেলপরশিংগী দি.পি.সি পাঙথোক্কনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**